# সাম ক্বেরিনা রফেল নদাল থোইদুনা মেক্সিকান ওপনগী টাইটল লৌখ্রে



অকাপুলকো, মার্চ ০৫ :
অমেরিকান সেম ক্বেরিনা স্পেনগী অনীশুবা সীদতা লৈরিবা শান্নরোয় রফেল নদালবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা এ টি পি মেক্সিকো ওপনগী টাইটল লৌখ্রে।

অনসীদেদ প্লেয়র ওইরিবা ক্বেরিনা নদালবু ৬-৩, ৭-৬ (৩) তা থোইখিবনি। ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা ৪০শুবদা লৈরিবা ক্বেরিনা এস ১৯ ফংদুনা রফেল নদালগা মঙারক থেংনবগী মনুংদা অহানবা ওইনা মায় পাকপা ঙমখি।

কুমজা ২০০5 অমসুং কুমজা ২০১৩ দা মেক্সিকো ওপনগী ৱিন্নর ওইখ্রবা স্পেনগী রফেল নদালনা মমাঙদা শান্নখিবা টুর্ণামেন্ট অসিগী মেচশিংদা সেট অমফাওবা মায়থীবা য়াওখিদ্রি।

ক্বেরিনা মপুন্সিগী মাপনশুবা এ টি পি টাইটল লৌখিবগা লোয়ননা মালেমগী মকোক থোংবা শান্নরোয় তরাগী মনুংদা ৪- বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিন, ওষ্ট্রেলিয়াগী দোমিনিক থিয়েম, ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক ক্রিগিওস অমসুং তরুকশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা রফেল নদাল মায়থীবা পীখি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা মালেমগী ওইনা অনৌবা রেঙ্কিং লাউথোরকপদা নদালনা খ্বাইদগী মকোক থোংবা শান্নরোয় ৩০ গী মনুং চল্লবা য়াই হায়না থাজনরি।

ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী ফাইনেলদা রোজর ফেদররগা সেট মঙা শান্নখিবদা মায়থীবা ফংখ্রবা মতুংদা নদালনা অহানবা ওইনা টুর্ণামেন্ট অসিদা শরুক য়াবনি। কুমজা ২০১৪ দা দোহাদা পাঙথোকখিবা টুর্ণামেন্ট অদুগী মতুং তারকপদা মহাক্না হার্দ কোর্টকী টুর্ণামেন্ট অমত্তদা মায় পাকপা ঙমলক্ত্রি।

অহানবা সেটতা ক্বেরিনা মশাগী সার্ভিসতা পোইন্ট মরি ফংবা ঙমখিদ্রবা মতুংদা ব্রেক অমা ফংদুনা ৫-৩ দা মাঙজিল থাখি।

বেজ লাইনদগী নদালনা অশোয়বা সোট কয়া য়ৈরকখিবদগী ক্বেরিনা ৬-৩ দা মাঙজিল থাবগা লোয়ননা মশাগী সার্ভিসতা নদালবু মায়থীবা পীনবগী খুদোংচাবা ফংখি।

পনবা য়াই, অনীরক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা রফেল নদালনা এ টি পি মেক্সিকো ওপনগী সেমী ফাইনেল মেচতা অহুমশুবা সীদেদ মারিন সিলিকপু ৬-১, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচতা সাম ক্বেরিনা তরুকশুবা সীদেদ ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক ক্রিগিওসপু ৩-৬, ৬-১, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি। নিক ক্রিগিওসনা ওপন অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ৱর্ল্ড নম্বর টু নোভাক জোকোভিচপু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীখিবনি।

অনীশুবা সীদেদ রফেল নদালনা চহী অসিগী জানুয়ৱারী থাদা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী ফাইনেলদা রোজর ফেদররগী মখুৎতা সেট মঙাদা মায়থীহৌখিবা অদুগী মতুংদা অহানবা ওইনা ওপন অসিদা শান্নরকখিবনি। কুমজা ২০০৫ অমদি কুমজা ২০১৩ দা ওপন অসিগী ট্রোফি লৌখিবা নদালনা অকাপুলকোদা শান্নখিবা মহাক্কী মেচ ১৪ মক মায় পাকখি।

নদালনা ওপনিং সেটতা সিলিক্কী মায়োক্তা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিদুনা ৫-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। হান্নগী য়ু এস ওপনগী চেম্পিয়ন অসিনা ক্বার্টর ফাইনেলদা মহাক্কা মায়োক্নদুনা শান্নগদবা ষ্টেভ জোনসন্না ৱিঠদ্রো তৌখিবদগী ৱাল্ক ওভর ফংখিদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি। স্পানিয়ার্দ অসিনা ওপনিং সেটতা ব্রিক পোইন্ট মরি সেভ তৌখি।

অনীশুবা সেটতা সিলিক্কী য়েৎ থংবা খুজেংদা শোকখিবদগী ট্রিটমেন্ট পীরবা মতুং শান্নরকখিবদা অশোয়বশিং য়াওখিদুনা পোইন্টশিং লৌবা ঙমখিদে। নদালনা মখা তানা নিংথিনা শান্নখিদুনা মেচ অদু মায় পাকখি।

ক্বেরিনা ওপন অসিগী সেমী ফাইনেল ফাওবা চঙখিবগী লম্বীদা বেলজিয়মগী দেভিদ গোফিন অমদি মরিশুবা সীদেদ দিফেন্দিং চেম্পিয়ন দোমিনিক থিয়েমবু মায়থীবা পীখি।

# বেদমিন্টন শান্নরোয় সাইনা নেহৱাল ওল ইংলেন্দ চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারগনি



ন্যু দেল্লি, মার্চ ০৫ : মতম খরা শান্নবা ঙমদনা লৈরুরবা ইন্দিয়াগী নুপী বেদমিন্টন শান্নরোয় সাইনা নেহৱালনা মথং চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইংলেন্দ চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ানবা থৌরাং তৌরি।

শোকপদগী মরু ওইবা টুর্ণামেন্ট অমত্তদা শরুক য়াবা ঙমখিদবা নেহৱালনা হকচাংগী ফীভম ফগৎলকপগা লোয়ননা ৱর্ল্ড বেদমিন্টনদা অচৌবা ফিদা কন্নবা থৌরাং তৌরি।

পি টি আইদা উনখিবা অমদা সাইনা নেহৱালনা হায়খি, মালেমদা খ্বাইদগী মমিং লৈরবী বেদমিন্টন শান্নরোয় অমা ওইনবা পান্দম থল্লি। থোইদোক হেন্দোক্না হৈথোই শিংথোইরবা অমসুং মমিং লৈরবা মালেমগী শান্নরোয় কয়াগা লম্বা পানবা শেম শারি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৫ গী ওল ইংলেন্দ চেম্পিয়নশিপ্তা রন্নরস-অপ তাহৌখি। মতমদুদা কেরোলিনানা মায়োক্নবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম থেংনখি। মেচ হেক হৌবদগী কেরোলিনানা লাকচখিবগা লোয়ননা চহী অদুগী ওল ইংলেন্দ চেম্পিয়নশিপ লৌখিবনি। হন্দক্তি নিংথিনা ট্রেনিং তৌবগা লোয়ননা মায়োক্নবা শান্নরোয় খুদিংমক্না লম্বা পানবা শেম শারে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

খুউদা শোকপদগী রিও ওলেম্পিক্কী মঙ্গান কায়খ্রবা মতুংদা সাইনা নেহৱালনা কন্না হোৎনদুনা নবেম্বর থাদা মরু ওইবা টুর্ণামেন্ট খরদা শরুক য়াবা হৌরকখি। মদুগী মমাঙদা মহাক ওগষ্ট থাদা সর্জরি তৌবা লৈখ্রবনি।

মশাগী চহী ২৬ শুরবী শান্নরোয় অসিনা মমাঙ চহীদা চাইনা, হোং কোং অমদি মকাওদা মরু ওইবা টুর্ণামেন্ট অহুম শান্নরবা মতুংদা হৌখিবা জানুয়ৱারী থাদা পাঙথোকখিবা প্রিমিয়র বেদমিন্টন লীগতা শরুক য়াখি। হৌজিক হৌজিকমকসু খুউগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা মায়োক্নরিবা হায়দ্রবাদকী শান্নরোয় অসিনা সিজন অসিগী অহানবা ওইনা মালেসিয়া মাষ্টরস গ্রান্দ প্রিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

অদুবু লক্ষনৌদা পাঙথোকপা সয়িদ মোদি গ্রান্দ প্রি গোল্ডদা শরুক য়াখিদে। মার্চ ৭ তগী বর্মিংহেমদা হৌগদৌরিবা ওল ইংলেন্দ অমদি অতৈ সুপর সেরিজ টুর্ণামেন্টশিংদা মপুং ফানা শান্নবা ঙম্নবগীদমক লক্ষনৌগী টুর্ণামেন্ট অদু শরুক য়াখিদবনি।

মালেসিয়া মাষ্টরসকী মমাঙদা মপুং ফানা ট্রেনিং তৌনবগী খুদোংচাবা ফংখিদে। হৌজিক্তি মপুং ফানা ফিট ওইবগা লোয়ননা কোচকী মিৎয়েংখাদা নিংথিনা ট্রেনিং তৌরবা মতুংদা মরু ওইবা টুর্ণামেন্ট খুদিংমক লৌবা ঙম্লগনি হায়না কুমজা ২০১৫ গী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা সিলভর মেদল ফংখিবী নেহৱালনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মালেসিয়া ওপনগী মতুং তারকপদা থোইদোক হেন্দোক্না হৈ শিংলবা কোচ বিমলগী মিৎয়েংখাদা মপুং ফানা ট্রেনিং তৌনবগী খুদোংচাবা ফংখি। ট্রেনিং চথরিঙৈ মনুংদা উমেন্দ্র রানানসু মতেং পাংখি। স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াদা লৈরিবা উমেন্দ্র রানানা প্যাংলকখিবা মতেংনা মতুং তারকপদা কান্নবা কয়ামরুম ফংবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

লন্দন ওলেম্পিক্সতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবী নেহৱালনা ওল ইংলেন্দ চেম্পিয়নশিপকী অহানবা রাউন্দদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইরিবা জপানগী নোজোমি ওকুহরাগা থেংনরগনি।

কুমজা ২০১০ দা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্ঠ গেমসতা চেম্পিয়ন ওইখিবী নেহৱালবু মমাঙ চহীগী ওক্টোবরদা ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) গী এঠলেটস কম্মিসনগী মেম্বর ওইনা খনখ্রবনি। অদুবু মশাগী ট্রেনিং তৌনবা হোৎনবদা মতম শংদবনা মরম ওইরগা কম্মিসনগী মীফম অমত্তদা শরুক য়াবা ঙমখিদে।

জুলাই থা য়ৌরকপা অদুৱাইদদি অচিনবা কয়া কায়থোক্তুনা কম্মিটিগী মীফমদা শরুক য়ানবা থৌরাং তৌরি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# সন্দে ওপন রেপিদ চেছ টুর্ণামেন্টকী অহুমশুবা রাউন্দ ফাওবা টোপ সীদেদ ও নিংথেমনা মাঙজিল থারি



ইম্ফাল, মার্চ০৫ :
শিংজমৈ চেছ ক্লব, ইম্ফালনা শীন্দুনা ঙসিদগী ক্লব অসিগী শঙলেন্দা সন্দে ওপন রেপিদ চেছ টুর্ণামেন্ট ২০১৭ চথবা হৌখ্রে।

মণিপুর চেছ এসোসিএসনগী মিৎয়েং মখাদা শিংজমৈ চেছ ক্লবনা শীন্দুনা নোংমাইজিং খুদিংগী পাঙথোক্কদৌরিবা সন্দে ওপন রেপিদ চেছ টুর্ণামেন্ট ২০১৭ অসি 'প্লে চেছ ফোর হেবিং রিটেন্টিপ মেমোরিজ এন্দ পিছ ওফ মাইন্দ' হায়বা থিমদা পাঙথোকপনি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী ঙসি অহুমশুবা রাউন্দ ফাওবদা টোপ সীদেদ ও নিংথেম্না মাঙজিল থাখ্রে। টোপ সীদেদ অমসুং নেসনল প্লেয়র ওইনাম নিংথেম্না অহুমশুবা রাউন্দ লোইখিবদা পোইন্ট ৩ ফংদুনা পুম্নমক্তগী মাঙজিল থানা লৈখি।

ভেটরান প্লেয়র বিট ইরোম অমদি অনরেটেদ প্লেয়র আর কে দট্ট মখোয় অনীনা পোইন্ট ২.৫/২.৫ ফংমিন্নদুনা অনীশুবা মফমদা লৈরি। সেকেন্দ সীদেদ এস সশিকান্ট, ভেটরান প্লেয়র এম দোরেন্দ্রো, নেসনল প্লেয়র এন লোকেন অমদি অনরেটেদ প্লেয়র কে পোইরৈখোম্বা মখোয় মরিনা পুন্না পোইন্ট ২/২ ফংমিন্নদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈখ্রে।

লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা শান্নরোয় ১১ না শরুক য়াদুনা ঙসিদগী চথবা হৌখ্রবা টুর্ণামেন্ট অসি মিনিট ২৫/২৫ পুন্না মিনিট ৫০ না শাদুনা রাউন্দ রোবিন রেপিদ সিষ্টেমদা পাঙথোক্কদবনি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী অহুমশুবা রাউন্দগী অহানবা টেবলদা বিট ইরোম অমসুং আর কে দট্ট দ্রো ওইদুনা পোইন্ট ২.৫/২.৫ ফংদুনা লৈনখি। অনীশুবা টেবলদা কে পোইরৈখোম্বা (২) না কে এস ঐচ এমসন (০) মায়থীবা পীখি।

অহুমশুবা টেবলদা এন লোকেন (২) না এল শ্যামকিশ্বর (০) মায়থীবা পীখি। মরিশুবা টেবলদা এস সশিকান্ত (২) না এ কে সঞ্জয় (১) মায়থীবা পীখি। মঙাশুবা টেবলদা এম দোরেন্দ্রো (২) না আর কে লেনিন (১) মায়থীবা পীখি। তরুকশুবা টেবলদা ও নিংথেম (৩) বাই ফংখি।

# সক্সি মালিকনা হরিয়ানা গভর্ণমেন্টতা মশাগী ৱা ঙাক্নবা হায়খ্রে



ন্যু দেল্লি, মার্চ০৫ :
ওলেম্পিক্কী মেদলিষ্ট সক্সি মালিকনা সোসল মিদিয়া সাইট, ত্বীটরগী খুথাংদা হরিয়ানা গভর্ণমেন্টপু মশাগী ৱা ঙাকপা ঙমদবগীদমক য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, লৈবাক্কীদমক মেদল অমা শোয়দনা পুরক্কনি হায়না শকখিবা ৱাশক ঙাক্তুনা মীয়ামদা ময়েক শেংনা উহনবা ঙমখ্রে। অদুবু হরিয়ানা গভর্ণমেন্টনদি পীগনি হায়না লাউথোকখিবা খুদোংচাবা অমত্তা হৌজিক ফাওবা পীরকপা লৈত্রি।

হরিয়ানাগী চীফ মিনিষ্টর, মনোহর লাল খাটার, ষ্টেটকী স্পোর্টস মিনিষ্টর অনিল বিজ অমসুং য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর বিজয় গোয়লদা ত্বীটরগী খুথাংদা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না হায়খি, ওলেম্পিক্কী মেদল ফংলবা মতুংদা পীগনি হায়না লাউথোকখিবা ৱাফম অমত্তা থবক্তা ওন্থোরকপা লৈত্রি। পনবা য়াবদি মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা রিও ওলেম্পিক্সতা মালিকনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রবা মতুংদা মনোহর লাল খাটারনা লুচিংবা বি জে পি গভর্ণমেন্টনা শান্নরোয় অসিদা খুদোংচাবা কয়ামরুম পীরগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

ষ্টেটকী স্পোর্টস পোলিসী মতুং ইন্না লুপা ক্রোর ২.৫ পীবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টকী থবক অমা পীদুনা রোহটক্কী মহারশি দয়ানন্দ য়ুনিভর্সিটি (এন বি য়ু) দা রেষ্টলিংগী দিরেক্টর ওইনা থবক হাপকনি, অঙ্গনৱাদি অমদা থবক তৌরিবী অপোকপী মমাবু প্রমোসন পীগনি অমসুং ইমুংগী মীওইশিং পুন্না লৈনবা প্লোট অমা পীগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

রোহটক দিষ্ট্রিক্টকী মোখ্রা খুঙ্গংদা লৈরিবা মালিককী পোক্নফম লমদমদা স্পোর্টস নর্সরি অমদি ষ্টেদিয়ম অমসু শেমগৎকনি হায়না খাটারনা লাউথোকপা লৈখ্রে। অদুবু সক্সি মালিকনা হল্লকপা নুমিৎতা গভর্ণমেন্টনা লুপা ক্রোর ২.৫ গী চেক অমা খুৎশিন্নখিবা অদু নত্তনা অতৈ অতোপ্পা পীগনি হায়না লাউথোকখিবা ৱাফমশিংদি হৌজিক ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপা লৈত্রি।

রেষ্টলর অসিগী অপোকপী সুরেশ মালিকনা পাউমীশিংদা হায়খি, ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ঙসি ফাওবা অঙ্গনৱাদি দিপার্টমেন্টদা প্রমোসন পীনবা থৌরাং লৌখৎলকপা লৈত্রি। সক্সি মালিকতা গভর্ণমেন্টকী থবক পীগনি হায়না লাউথোকখিবদুসু থবক্তা ওন্থোরক্ত্রি। ইমুং-মনুং পুন্না লৈমিন্নবা য়াগদবা লম পীগনি হায়বা ৱাফম অদু মখা তানা ফোঙদোরকপা লৈখিদ্রি।

লুপা ক্রোর ২.৫ পীবিরকপগীদমক গভর্ণমেন্টকী মফমদা তৌবীমল খঙবা উৎলি অদুবু অতৈ খুদোংচাবশিং অদুসু অথুবা মতমদা পীবিরকপা থোক্লবদি অমুক্কা হেন্না গভর্ণমেন্টপু থাগৎপা ফোঙদোক্কনি।

চীফ মিনিষ্টর খাটার অমদি স্পোর্টস মিনিষ্টরগা উনদুনা কয়ারক হন্না ৱারী শানরবসু হৌজিক ফাওবা মখল অমত্তগী থবক পায়খৎলকপা লৈত্রি। মালিককী কোচশিংদা লুপা লাখ ১০ গী মনা পীগনি হায়না লাউথোকখিবা ৱাফম অদু ফাওবা থবক্তা ওন্থোরকপা লৈত্রি হায়না সুরেশ মালিকনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

# দেবিস কপ : উজবেকিষ্টান থেংনগদবা ইন্দিয়ন টিমদা ভেটরান লীএন্দর পেসকী মফম খন্নগদৌরি



ন্যু দেল্লি, মার্চ ০৫ :
উজবেকিষ্টানগী মায়োক্তা শান্নগদৌরিবা এসিয়া/ওসিনিয়া জোন টাই স্কৱাদ খন্নবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা এ আই টি এ সেলেক্সন কম্মিটিগী মীফম পাঙথোকপদা ভেটরান লিএন্দর পেসনা ইন্দিয়ন দেবিস কপ টিমদা লৈগদবা মফমগী মরমদা খন্নরগনি। সেলেক্টরশিং অদুনা সিঙ্গলসকী শান্নরোয় অনীগা চৎকদ্রা নৎত্রগা শান্নরোয় অহুমগা চৎকদ্রা হায়বগী মতাংদসু খন্নগনি হায়রি।

অরোইবা মিনিটতা ন্যু জিলেন্দ টাইদগী ৱিঠদ্রো তৌখিবা সকেথ মৈনেনি অমসুং সুমিট নগলদি শোকপদগী খন্নবদুদা য়াওদবগী ফীভমদা লৈখ্রে। মরম অদুনা মখোয়গী সুপরিয়র রেঙ্কিংশিংনা মরম ওইদুনা রামকুমার রামানাথন, য়ুকি ভম্ব্রী অমসুং রোহন বোপান্না অহুম অসি শোয়দনা খনবগী ফীভম লৈ হায়রি।

মশা ফিট ওইবা মতমদা মৈনেনিনা সিঙ্গলস অমসুং দবলস অনীমক্তা শান্নবা ঙমখি তৌইগুম্বসুং হৌজিক লৈরিবা ৱাফমদি সিঙ্গলসকী শান্নরোয় অনী নৎত্রগা দবলসকী স্পেসিয়েলিষ্ট অনী খনগদ্রা হায়বসিনি।

করিগুম্বা কম্মিটিনা সিঙ্গলসকী শান্নরোয় অহুম খন্নবা লেপ্পা তারবদি বোপান্নাবু খনবা হায়বসি শোয়দ্রবা ৱাফম ওইরি মরমদি মহাক নম্বর ২৪ দা লৈদুনা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংসতা খ্বাইদগী ৱাংবা মফম কল্লিবা ইন্দিয়ন শান্নরোয়নি। হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা পাঙথোকখিবা মমাঙগী টাইদা পেসতগী রেঙ্ক হেন্না ৱাংলবসু বোপান্না অসি সাইদতুদগী দ্রোপ তৌখি। তৌইগুম্বসুং অচৌবা সার্ভর অসিনা মহাক্কী মফম অমুক হন্না কনবা ঙমগনি।

লোইশিনখিবা কুইদ্রিবা দুবাই এ টি পি ৫০০ গী ইভেন্টদা বোপান্নানা য়াম্না পূক্নিং থৌগৎনিঙাই ওইবা মওংদা পার্ফোর্ম তৌখি। মহাক মদুদা মহাক্কী পার্টনর মার্সিন মাটকোস্কিগা লোয়ননা রন্নরস-অপ তাখি। মহাক্না ফাইনেল য়ৌনবা শান্নরকপদা সেমী ফাইনেলদা পেস অমসুং মহাক্কী পার্টনর গ্রেসিয়া গুলির্মো-লোপেজদগী হেন্না ফীভম ফখি।

করিগুম্বা রেঙ্কিংনা ক্রাইটরিয়া ওইবা তারবদি সাইদ অদুদা লিএন্দর পেসকী মফম শোয়দনা মাঙলগনি, মরমদি মহাক নম্বর ৬২ ওইদুনা মরিশুবদা লৈ। দিভিজ শরন (৫৪) অমসুং পুরাভ রাজা (৫৬) না হৌজিক মঙোন্দগী হেনগৎখ্রে।

করিগুম্বা বোপান্না অমসুং পেস অনীমক লৌখৎপা তারবদি টিম অদুগী ওইনা সিঙ্গলসতা কম্পিট তৌনবা য়ুকি অমসুং রামকুমারদমক লৈহৌরগনি হায়না খন্নবসু লৈরি। শোকপা-পনবগী ৱাফম লাক্লগনা বোপান্না নৎত্রগা পেস অনীমক তঙাই ফদনা সিঙ্গলস ফাইভ সেট্টরশিং শান্নরকপা মতমদা কম্পিট তৌবা য়াররোই হায়রি।

করিগুম্বা কম্মিটিনা সিঙ্গলসকী শান্নরোয় অনী খন্নবা লেপ্পা তারবদি, হন্দক্তি খুৎ ওইনা শান্নবা শরন অমসুং রাজা খৎতোকপা য়ারোইদৌরি। এ আই টি এগ ওফিসলশিংনা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংদা টিম অদুদা য়াওনবগী খুদোংচাবা পীনিংবা লৈবনা মখোয়নিবু খৎতোকপা য়ারোইদৌবগী ফীভম লাক্লিবনি।

# এসিয়ন মেন'স রগবি সেভেন ট্রোফিদা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টান ১৪-১২ দা মায়থীবা পীখ্রে



মুম্বাই, মার্চ ০৫ :
কাটারগী দোহাদা লৈবা এসপাইয়র রগবি ফিল্ডদা চথরিবা এসিয়ন মেন'স রগবি সেভেন ট্রোফি ২০১৭ তা ইন্দিয়াগী নুপাগী রগবি টিমনা পাকিষ্টানবু ১৪-১২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

এসিয়ন মেন'স রগবি সেভেন ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা ইন্দিয়ন রগবি টিমনা পাকিষ্টানবু মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়া তরেৎশুবা রেঙ্কতা লৈবা ঙমখ্রে।

গৌতম ডাগর স্কিপর ওইদুনা লুচিংখিবা ইন্দিয়াগী নুপা রগবি টিমনা চথরিবা এসিয়ন মেন'স রগবি সেভেন ট্রোফিদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীরি।

ইন্দিয়ানা রগবি মশান্না অসিগী গভর্নিং বোদি অমা ওইরিবা ইন্দিয়ন রগবি ফুটবোল য়ুনিয়ন (আই আর এফ য়ু) গী মিৎয়েং মখাদা ইন্দিয়ন টিমনা হৌজিক চথরিবা এসিয়ন মেন'স রগবি সেভেন ট্রোফিদা শরুক য়ারিবনি।

রগবি ইন্দিয়াগী ফাইনান্সিয়ল পার্টনর ওইরিবা সোসিটে জেনরেলিনা সপোর্ট তৌরিবা ইন্দিয়ন টিম অসিগী করিগুম্বা হীরম অমত্তদা অৱাৎ-অপা লৈহন্দনা য়াম্না কন্না হোৎনরি।

এসিয়াগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১১ না শরুক য়াখিবা এসিয়ন মেন'স রগবি সেভেন ট্রোফিদা ইন্দিয়ানা মমাঙদা পীখিবা পার্ফোমেন্স অদুগী য়াম্না হেন্না ফজনা পীখি।

এসিয়ন মেন'স রগবি সেভেন ট্রোফিদা শরুক য়াখিবা লৈবাকশিং অদুদি ইন্দিয়া য়াওনা সিঙ্গাপুর, পাকিষ্টান, জোর্দান, নেপাল, ফিলিপাইন, য়ু এ ঈ, থাইলেন্দ, ইরান, বাংলাদেশ অমদি য়ুম্বু ওইখিবা ক্বাটারনা শরুক য়াখি।

ট্রোফি অসিদা ফিলিপাইননা এসিয়ন মেন'স রগবি সেভেন ট্রোফি অসিদা মায় পাক্তুনা এসিয়ন রগবি সেভেন সেরিজদা অচৌবা মফম অমা কনবা ঙমখ্রে।

ট্রোফি অসিগী অহানবা নুমিৎকী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়া য়ু এ ঈগী মখুৎতা অনীরক ১৯-১২, ৪৫-০ দা থংন-থংননা মায়থীহৌখি।

ট্রোফি অসিগী নীনি চনবা নুমিৎতা ইন্দিয়া সিঙ্গাপুরগী মখুৎতা ১৯-৭ তা মায়থীহৌখি। ইন্দিয়ানা অরোইবা মেচতা পাকিষ্টানবু ১৪-১২ দা মায়থীবা পীদুনা টুর্ণামেন্ট অসিদা তরেৎশুবা মফম কনবা ঙমখি।

রগবি ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি জেনরেল মহেশ মথাইনা ফোঙদোকখিবদা, টুর্ণামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না থৱায় হকচাং য়াওনা শান্নখি। ইন্দিয়ানা টুর্ণামেন্ট অসিদা তরেৎশুবা মফম কনবা ঙম্লকখিবা অসিনা তাকপদি ইন্দিয়াগী ফীভম নোংমা নোংমগী ফগৎলক্লি। অদুবু মালেমগী ওইনা য়েংনবদা ঐখোয় শোথনা লৈরবসু থৌনা হনবা লৈতনা হেন্না কন্না হোৎনদুনা ঐখোয়গী টিমগী পার্ফোমেন্স অসি হেনগৎহন্নবা হোৎনগদবনি।

লাক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল চেম্পিয়নশিপশিংদসু ঐখোয়গী শান্নরোয়শিংনা হেন্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীনবগীদমক্তা ঐখোয় অমগা অমগা তাথোক তাশিন তৌদুনা হেন্না পার্ফোমেন্স ফগৎনবা অমদি অৱাৎ অপাশিং মেনখৎতুনা হোৎনমিন্নসি হায়খি।